WAYEL KATI
# এদিটৌরিয়েল
ইম্ফাল, ইঙাগী ২৯ নি পানবা, নিংথৌকাবা, জুলাই ১৩,২০২৬ ইং

## কান্টো সাবলদা য়ূম মৈ থারকপা
### সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা লৌরিবা থৌদাং কীনিংঙাই ওইরক্লে

মণিপুরদা কাঙলূপকী ঈরাং থোকখ্রবা মতুংদা ঈরাং অদু লাকশিন্নবা মণিপুর লৈঙাক্তা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টননা মতেং পাংদুনা থবক কয়ামরুম তৌরকখি। ইথা-থাজদনা নেস্নেল পেপর খরদা মণিপুরদা আর্টিকল ৩৫৫ চৎনরে হায়বা পাউ ফোঙনরকখি। হায়রিবা পাউশিং অদুগী সোর্স পল্লগা মণিপুরদা ফোঙবা পাউচে ময়ামদসু হায়রিবা পাউ অদুমক ফোঙনরকখি। অদুবু কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৫৫ চৎনবগী ৱাফম অসি প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো নৎত্রগা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী ওফিসিয়েল ৱেবসাইট অমত্তদা ওর্দর অদু থাদোকখিদে। মদুনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবা মণিপুরদা আর্টিকল ৩৫৫ সি চৎনখিৱা, হৌজিকসু চৎনরিৱা হায়বা করিমত্তা খঙবা ঙমদে। তৌবদদি মণিপুর লৈঙাক্কী মথৌ মঙম ওইবা চীফ সেক্রেটরি, দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) অমসুং সেক্যুরিতি এদভাইজরনচিংবা য়াম্না মরু ওইবা পোষ্টশিং অসি সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা অপাম্বদু খক তৌরকখি। অদুগা মরী লৈনবা ওর্দর অদুনা মণিপুর গভর্নমেন্টতা থোকহল্লকখি। তশেংনমকপসু মণিপুরদা থোকখিবা কাঙলূপকী ঈরাং অমদি মসিগা মরী লৈনবা থৌদোকশিং অদু খ্বাইদগী তমথিবা ঙাক্তনি। চীং অমসুং তমদা ষ্টেটকী আর্মরদগী নোংমৈ লিশিং লিশিং লৌখিবা হায়বসিমক ইন্দিয়াগী মফম অমত্তদা অমুকফাওবা থোকখিদ্রিবা থৌদোকশিংনি। মতমদুদা প্রসিদেন্ট রুল থম্বা য়ারম্লবনি। অদুবু সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা মণিপুরদা পি আর থমখিদ্রে। মদুগী মহুৎতা লো এন্দ ওর্দরগী থবক লাকশিন্নবা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা তুংদা থম্লগা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা থবক তৌবা হৌরকখি হায়বসি কনামত্তনা ককপা য়াররোইদবনি। হৌজিকসু মণিপুর গভর্নমেন্ট অসি মীয়াম্নদি পি আর গভর্নমেন্ট অমা ওইনা য়ূন্নাম খেমচান্দনা চুঙ্গোই ওইনা থম্লগা সেন্টরগী লৈঙাক অমা লীংবা ওইনা লৌনরি। শাংলবা চহী অমা মখায় রোমসি মৈতৈ অমসুং কুকিগী মরক্তা য়ূম মৈ থানবগী থৌদোক অমত্তা থোক্লুদ্রবনি। তৌবদদি নাগাগা কুকিগগী মরক্তদি মৈ থাননবগী থৌদোক ঙাইহাক লৈতনা থোক্লি। অসিগুম্বা মতাং অসিদা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন ওইনা খুল থাদোক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মৈতৈগী য়ূম ৬কুকি লমকেৎ লমহাইবা খরনা মৈ থাদুনা মৈতৈশিংদা নৌনা কায়হৌবগী থৌদোক অমা থোক্লে। হন্দক্কী থৌদোক অসি ঐখোয় পূন্নমক্লা য়াম্না লায়না লৌবা য়াদবা থৌদোকনি। মসি মখোয়গী অরোনবা থৌরাং অমগী মখাদা চথ্নরকপনি হায়না লৌদবা য়ারোই। মী লৈনদ্রবা য়ূমশিং অদু মখোয়না মৈ থারিবদু মৈতৈগী লম মুন্নবগী হান্নদগী চথ্নরকপা থৌরাংশিং অদুগী শরুক অমনি হায়বদসু লাল্লোই।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সেকমাই পুলিসনা কোনবা লৈমখোং, কান্টো সাবলদা নুংথিলগী পুং ২ রোম তারকপদা সেক্যুরিতি ফোর্স ময়াম অমা লৈনা লৈনা মখোয়গী মমাঙদা মৈতৈশিংগী য়ূম ৬ মৈ থারকখি। য়ূম মৈ থাবগী থৌদোক থোক্লিবা মফম অদু ৫৭ মাউন্টেন দিভিজনগী হেদ ক্বার্টর ওইরিবা লৈমখোংদনি। মফম অদু লো এন্দ ওর্দরগী মীৎয়েংদা য়েংলুরগদি খ্বাইদগী শাফবা মফম অমনি হায়না লৌনরিবনি। অদুবু মফম অদুমক্তদা কমলবাবু কৌবা শিন্মী অমা থিবা খঙখিদে। মহাক মাঙখিবগী কেস অসি সি বি আইদা শীন্নখি। অদুবু চহী ১ ফারক্লবফাওবা কেস অসিগী লংলা-লংজিন ওইবা য়াবা খূদম অমত্তা সি বি আইনা পুথোরকপা লৈত্রি। লান্মীগী বঙ্গলো মনুংদা চঙখ্রগা মীচম অমবু মাঙহনবদা লান্মীগী পার্সনেলশিং অদুনা খঙদে হায়না চেনখি। অদুগা হৌজিকসু মখোয়গী য়েন্নখাদা মখোয় লৈনা লৈনা য়ূম মৈ মথং মথং থারকপদসু মখোয়দি খঙদে হায়গদৌরি। অসিগুম্বা ফীভম অসি মণিপুরগী মীয়াম্না ইন্দিয়া আর্মিদা থমগদৌরিবা থাজবসিবু করিনো? হৌজিক চথ্নরিবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসিনা চান-থক্লবা য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফংদ্রে হায়দুনা কুকি কাঙবু অদুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন মৈতৈশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা রেল্লি চৎখৎলক্লিবনি। রেল্লি অমা চৎপা হায়বসি মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিতিদগী মাঙজৌনননা অয়াবা লৌগদবনি। অয়াবদু য়াওদ্রগদি য়াম্না সেন্সিটিভ ওইবা মফমশিংদা রেল্লি চৎহনবা য়াদে।মদু থিংননবগী থৌদাং পুলিসনা লৌফম থোকই। অদুবু পুলিসশিং অদুদি মৈতৈনি হায়দুনা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা মায়কৈ অদোমদা চঙহন্দে। মদু ওইরগদি এরিয়া অদুদা থোকপা থৌদোক ৱাথোকশিংগী তেকচাক পূন্নমক সেন্ত্রেল ফোর্সশিং অদুগী ওইফম থোকই। মায়কৈ অদোমদা লৈরিবা কুকি মচা খরদি হৌজিকসু মীগী ঈ থকপা পাম্বা, মীগী ময়ূম মায়কৈ মৈ থানিংবগী ঈখৌ লাংদুনা লৈবগী ফীভম অমা অদুম উবা ফংই। লৈমখোংগী ময়া অদুৱাইদা লৈবা লৈলোন বাইফৈদা লৈবা কুকি খরনা নাগা ৬ ফারগা মকক মকক কল্লগা হাৎখিবগী থৌদোক ঐখোয় পূন্নমক্লা থেংনরকখ্রবনি। অসিগুম্বা তমথিরবা, মীওইবগী ৱাখল চেন্দ্রবা কাঙবু অসি ঐখোয়না অসুম কোনখৎতুনা পুগদ্রা হায়বদু খন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা মখোয়দা মীনুংশি পোকই। মখোয়গী মীনুংশি অদুগী মরুমদা মী হাৎলি, য়ূম মৈ থারি, মী ময়াম অমা মাঙহল্লি। অদুগা ইন্দিয়াগী লোনা মহূ ময়াই চম্লগা লৈরি। হন্দক্কী থৌদোক অসি য়াম্না লাইনা লৌবা য়াদে। মখা তানা মণিপুরদা ঈরাং থোকহনবা, লো অমা ওর্দর ঙাকপা ঙমদ্রে হায়দুনা প্রসিদেন্ট রুল থম্বা য়ানননবা শিনবা অমসুং ২০২৭ দা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন অসিসু পাঙথোক্তনবা অরোনবা থৌরাংলা হায়বসিসু খন্নসি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি সেন্ত্রেল ফোর্সশিংগী মমঙাদা য়ূম মৈ থারকপদা করিসু তৌরক্ত্রবা অদুগা ময়ূম মৈ থাখিবগী ঙাওদুনা চেল্লিবা মৈতৈশিংদা ওনশিল্লগা টিয়র গ্যাস কাপ্পগী থৌওংশিং অসিনা ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি কিনিংঙাই ওইরক্লে হায়জনিংই।


## DOCUMENT LOST

I have lost my Original Certificate for High School Leaving Certificate Examination-2001 bearing Roll No. 28933 issued by the Board of Secondary Education Manipur (BOSEM) on the way between kwakeithel and Tera Bazar on 10th July 2026.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/-
Akoijam Akendro Singh
Kwakeithel Thiyam Leikai,
8731939749

WK2/28/13 July

## DECLARATION

My correct and actual name is Khoirom Dinendra Singh as recorded in my school records and other educational documents. But my name in the appointment order issued by the Director General of Police Manipur vide order no.E/31/21/2016-PHQ (Adm.), dated 31st January,2018 at Sl.no.40, my name has been recorded as Kh Dinendra Singh. The abbreviated form "Kh" appearing in the appointment order stands for "Khoirom" and full and correct name is Khoirom Dinendra Singh.

So, I hereby again confirmed that in all my documents related to me should be recorded as Khoirom Dinendra Singh .

Sd/- Khoirom Dinendra Singh
Thangmeiband Yumnam Leikai.
P.O and P.S. Imphal West

WK2/27/13 July


# লময়ানবা হিজম ইরাবতকী অরোইবা অচেৎপা ফিরেপ করিনো?
# ৱাহংসি মফম খুদিংদা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা হংনবা ৱাহংনি(১)

আর্টিকল অসিদা য়াওরিবশিং অইবগী ৱাখলনা মাশিল্লগা ইশিনবা ওইথোক্তে। অদুবু মহাক্কী ফিরেপ্তা নৈনদবা য়াদে হায়বসি ফাওজে।

মালেমগী পুৱারীগী লমায়দা থোকখিবা ৱাথোকশিং অমদি কাংলমচৎশিং অসি নৈনরুরবদি লমদমসিদা লময়ানবা ইরাবতকী লিচিং মখাদা শেমখিবা 'রেদ গার্দ' অসিমকসু লৈঙাক্কী তমথিরবা মীওৎ-মীনৈ, আইনশিং অদু ফুক্তোক্তুনা লংথোকখিনবগীদমক থোরকপনি হায়না লৌগনি। লৈঙাকপশিংনা খ্বাইদগী পামদবা মখোঙদা তুম চঙবা মীশক অমা ওইনা ইং কুমজা ১৯৪৮ গী সেপ্টেম্বর ২১গী 'পুন্দোংবম ঘটনা' গী খুদোংচাবা লৌরগা লময়ানবা ইরাবতপু ফাননবা হোৎনখি। অদুবু পুলিসনা ফাবা ঙমদবদগী অন্দরগ্রাউন্দদা চঙখি। লুচিংবা অসিবু হিংনা নত্রগা শিনা ফাবদা লুপা লিশিং ১০গী মনা পীগনি হায়না 'ৱান্টেদ' লাওথোকখি (ইং ১৯৩৯দা ফৌ শংবাই ( কেজি ৩০) দা পৈশা ৫০ নি। অদুনা মহাকপু 'ৱান্টেদ লাওখিবা শেলগী ভেল্যুসি অপীকপা নত্তে) অদুনা ৱায়েলগী হোংলক্লিবা ষ্ট্রেটেজি এন্দ টেক্তিক্সকী মতুং ইন্না ইং কুমজা ১৯৪৮ ওক্টোবর তাং ২৯ দা তোপতা ফমখিবা মীফম অমনা কুপ্পা খন্ন- নৈনরবা মতুংদা অন্দরগ্রাউন্দ মুভমেন্টকী অকনবা ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা এক্তিভিতিশিং চঙশিন্নবা কুপ্পা খন্নখি। ১৯৫০ মার্চ ৯ দা পার্টিগী খুৎলাই পায়বা 'রেদ গার্দ কাউন্সিল' লিংখৎখি। মপান্দা ওভরগ্রাউন্দশিংনা মখল মখা কয়াগী ঈহৌ শাগৎপা খুদম ওইনা লৌমীশিংগী লৌশান হন্থহনবা, আইননা য়াবা মওংদা লৌশাল ফৌপোৎ ১২গী মহুৎতা ফৌপোৎ ৯ খক্তমক তমগদবনি, লৌপুদা ফৌদম শেল হেন্না পীরোইদবনি, লৌমীদগী লৌপুনা লৌ শৎপা য়ারোইদবনি হায়বা দাবী কয়া পুখৎলকই। ছাত্র ফেদরেসন্না চেজাই কয়া চাইথোক্তুনা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লি। 'রেদ গার্দ' কী কাদরশিংগী টেক্তিক্স, ঙাক্কদবা লমচৎ-শাজৎ, য়েক্নবনা ফাখিদনবা নিতি নিয়ম অইবা সার্কুলর ওইনা য়েন্থোকই। খুঙ্গংশিংদা 'ভিল্লেজ গার্দ'শিং শেমদুনা হুরান-চিন্থি ঙাক্লবা অহিংদা রাউন্দ চৎলি। সিফাই লাক্লবসু সিগনেল পীদুনা ফাহন্দনবা হোৎনৈ, খুঙ্গংশিংদা সন্ত্রি থমদুনা সিফাই লাকপদা মোইবুং খোংবা, পুঙ য়ৈবা, মাঙ্গং য়ৈবা, হুইশেল খোংবনচিংবা কয়া তৌই। মসি মহাক্কী হৈ শিংবা টেক্তিস অমনি। মতৌ অসুন্না 'রেদ গার্দ' কী কাদরশিং খুৎলায় শীজিন্নবা তমহনবা, অকক্লবা ত্রেনিং পীবা, পোলিটিকেল ক্লাস তৌবা অমদি মশাগী খুৎলায় অমমম লৈহনবা হায়বনচিংবা, ৱারেপ কয়া মথং মথং লৌখি। অসুন্না রেদ গার্দশিং খুন-খুন্দা য়েক্লবা কাঙবুশিংবু মাগী মাগী মতিক চাবা দন্দি পীবা হৌখি। ইং কুমজা ১৯৫০ মার্চ ১৮ ইংদা মতমদুগী এসপি পাটিলনা লমজিংদুনা অসাম রাইফলসকী ফোর্স, পুদুনা কৈবী মনিং চীংদা লৈরিবা 'কি কেম্প'তা 'রেদ গার্দ' কী কেদরশিং লৈরে হায়না অসাম রাইফলসনা শা তানবা লাকপদা শামিন ফংখিবদু 'রেদ গার্দ' না য়াম্না হৈ-শিংনা মতম চানা কেম্প থৈদোকহৌবদগী অসাম রাইফলসকী এটেক অরেম্বা তাখি। ইং কুমজা ১৯৫০ এপ্রিল ১৮ ইংদা নহারুপ মায়কৈগী ইমা ইবেলশিংনা 'ভিল্লেজ গার্দ'শিংগা লোয়ননা সিআইদি অহুম ফাখি, তোপ মায়কৈদগী সিআইদি অমা ফাখি, ফারবা সিআইদি মরিদু মতিক চানা লৈবাক মমাঙদা খোঙ্গোইনরবা মতুংদা 'রেদ গার্দ'কী কেদরশিংদা খুৎশিন্নখি। মসিগী মতুং তারকপদা সরকারগী মায়কৈদগী মফম কয়াদা এটেক তৌবা হৌরকখি। মতৌ অসুন্না সরকারনা চিংনবা মফমশিং অমদি নুপী নহাশিং খাক্তনা ওৎ-নৈবা, ফুবা চৈবা, ফাবা পুনবগী থবক খুদিংমক ইমা ইবেলশিংনা ইচঙ থৌনা থেংনখি, মসি করিগীদমক্তনো হায়রগদি লময়ানবা ইরাবতনা নুপীশিংদা য়েংবা মীৎয়েং অমদি 'নুপী লাল ১৯৩৯' দা চোকথরবা নুপী মীয়ামগী থৌনা হাপ্পীখিবা মখোয়গীদমক চহী অহুম জেলদা লৈরুবা অদুগী মহৈনি হায়না লৌবসু য়াই। য়াম্না শিংথানিংঙাই ওইবা অমদি অৱাং জিরি মায়কৈদা লান্মীশিংগী মখুৎতগী নোংমৈ মুনবা ঙমখিবা অদুসু অমনি। 'রেদ গার্দ'কী পনবা য়াবা কেম্পশিংগী মনুংদা নুংশিঙুম, খামেনলোক, হৈঙাংলোক, টিনসিদ, তেরা উরক, তুরেল অহনবী, কাংমোংনচিংবা পনবা য়াই। 'রেদ গার্দ' কী ত্রেনিং কেম্পতা লৈবশিং অয়াম্বা মেরা, মৈত্রম শামু, চীংশুবম নরান, থোকচোম গন্ধ, মৈত্রম চিংখম, লাইশ্রম য়াইমা, লাইশংবম মাঙ্গোল, বাবুধন, মুতুম থানিল, লাইশংবম তোম্বা, খুমন্থেম বীর, নহাকপম লাসমোন, নহাকপক বাবু, মোইরাংথেম নিল্লমনি, সঞ্জেনবম থাগুনচিংবনি। নিপামচা (সিআইদি)না তাক্লকপদগী সিফাইনা মায়কৈ মায়কৈদগী কাংমোংদগী চুন্না কৌবোক চীংলোমদগী অমা, মোইদাংপোকলোমদগী অমা এটেক তৌরকখি, নুমিৎ চুপ্পা কাপ্নখি, 'রেদ গার্দ'কী খুৎলায় ৱাৎলকপদগী চীংয়া পরেংদা কাপ্না কাপ্না হন্দোকই, থৌদোক্তুদা চীঙখমদি ফাহৌই। উয়ুমপোক কুল্লনা এরিয়া কম্মান্দরনি। লোঙা কোইরেংগী হৈঙাং লোক্তা লৈবা কেম্পশিং হোংদোকখিনবা রিপোর্ট ওভরগ্রাউন্দ ইন্টলিজেন্স থাংজম বাবুনা পাউ পীরবা ফাওবা হোংদবদগী সিফাইনা লান্দারকখি। তুরেল অহনবী উরক্তা 'রেদ গার্দ' কা কাপ্নখি। চীংঙাংবম কালা, সোরাইসম ধবল্লি, থাংজম অমু, এলাংবম ধর্ম্ম থোমজিল্লকই, কলাদি নোংমৈনা পানবদগী চেনবা ঙমদদুনা ফাখি, সঞ্জেনবম থাসু মফেগন্দা নোংমৈ মরু অনী পাল্লি। অদুবু ফাবা ঙমখিদে। খুদ্রাকপম তান্না পুরগা ডাক্তর লৈরেন্না নোংমৈ মরু লৌথোকই। মোইদাংপোক কাচিখুল মনিংগী কেম্পতা লৈবা কেদরশিংদি রামসিং (কাংমোং), কহ্নাই (বমদিয়ার), হৈক্রুজম নোদিয়া অমসুং ইবোহল (চঙাংগৈ)নি। কাপ্নবগী থৌদোক্তা সাপম ইবোহল নোংমৈ মরুনা পাল্লি। অদুগা শৌগ্রাকপম নোদিয়া, ধর্ম্ম, খোমৈ, কহ্নাই (বমদিয়র), হৈক্রুজম নোদিয়া অমসুং ইবোহল (চঙাংগৈ) নি। কাপ্নবগী থৌদোক্তা সাপম ইবোহল নোংমৈ মরুনা পাল্লি। অদুগা শৌগ্রাকপম নোদিয়া, ধর্ম্ম, খোমৈ, কহ্নাই ফাহৌই। রেদ গার্দনা মদুগী পাউখুম ওইনা, অরোনবা পাউ পীবা মীওই খরা ফাই, হাৎখি, উনশা খোক্তোকপা মরৈ ককথৎপনচিংবগী ৱারী লৈ। ময়াং ইম্ফালগী সিফাই কেম্প থুগায়নবা হোৎনখিবা 'রেদ গার্দ'কী কেদরশিংদি- য়ুন্নাম গোকুল (অৱাং জিরি), খুমন্থেম কুবের অমসুং ইবোহল (চঙাংগৈ), লৈতান্থেম অচৌ অমসুং লাইশ্রম য়াইমা (অৱাং জিরি)নি।

মসি 'রেদ গার্দ'না সিফাইগী কেম্পতা এটেক তৌবা অহানবনি। এটেক অদু রেদ গার্দকী খুৎশু খুৎলায় মতিক চাদ্রবসু সিফাইদগী খুৎলায় মুনখি। মসি সাপম ইবোহল অমসুং গোকুলসিংহগী লিদরশিপ মখাদা পাঙথোকপনি। অদুবু সিফাইনা হেঞ্জিল্লক্তুনা হৈবোক চীংদা পোজিসন লৌদুনা কাপ্নদুনা লৈরগা অতৈ রেদ গার্দকী কেদরশিংদু হন্দুনা চেলহনখি। গোকুল সিং ফাখি, ইবোহলনা হৈবোক চীংদা লোৎতুনা লৈখি। অদুবু নুমিৎ য়ুংবদা সিফাইনা মী লৈত্রা য়েংবদা উখিদুনা ফাখি। সরকারনা রেদ গার্দশিং ফানবা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা ইং কুমজা ১৯৫০ মার্চ ২৭ তা হোদাম লৈরক্তা লৈবা অঙাংজাওগী ময়ুমদগী সিফাইনা রেইদ চথবদা রাইফলস ৩০০, ষ্টেঙ্গল ২৭ ফাগৎখি। মার্চ ৩১ দা মোইরাংকম্পুদা রেদ গার্দনা অসাম রাইফলসতা এম্বুস তৌবদা য়েক্লবা লান্মী অমা রেদ গার্দ ৩ শিখি।

ঃ গুণচন্দ্র ককচিংতাব

# স্বামী বিবেকানন্দ অমসুং মহৈ তম্বীবা (এদুকেসন)

স্বামী বিবেকানন্দ শক ১৮৬৩গী জনুৱারী ১২ দা কোলকাতাদা পোকখি।শক ১৯০২ গী জুলাই ২ দা লৈখিদে। তেনখ্রবা পুন্সি চহী ৩৯ চঙলকপদা লৈখিদে। মপুন্সি চুপ্পা নুপী থিখিদে। বেদান্টতা সাস্ত্রগী ৱাংউরোলবু স্বামীজীনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা মমুৎ তানা শন্দোকখি, নোংচুপ লৈবাক্কী মীয়াম্না ওন্থোক্লা পামজনা খৌরাংনা পুক্নিং থিজিন্না লৌনখি। অদুগুম্বা পাউজেল কয়াগী মনুংদা, মহৈ তম্বীবগী মরমদা পীবীরম্বা শরুক অসিসু মহাক্কী অচৌবা খুদোল অমনি।

১) হকচাংগী অমসুং পুক্নিংগী পাঙ্গল কলহনবাঃ-

স্বামীজীনা মহৈরোইশিংদা হকচাংগী পাঙ্গল অমসুং শক্তিগী মরমদা নৈনবীরম্মী। 'নখোয়না গীতাগী মতেংদগীদি ফুটবোলগী মতেংনা হেন্না লাইরৈবাক্তা নকশিনবা ঙমগনি **( You will be nearer to heaven through football than through Gita.)**ইরৈবাক ইরমদম অসিনা লৈখা তথরকপগী অচৌবা মরমদি, শোত্থনা লৈরিবা মীয়ামবু থওইবীদবদগীনি হায়না পুথোকখি। চহী লিশিং কয়াগী মমাঙদগী মীচম মীয়ামসি নিংথৌরোলশিংনা অমসুং ধর্ম্মগী পুরোহিটশিংনা নমথবীদুনা, ওৎপী নৈবীদুনা, থওই-ৱাওইনা তৌবীরক্তবদগী মখোয়সি হায়নিংঙাই লৈতনা শোন্থরকখি। শিংথাবিদ্রবা মখোয়গী পুন্সিগী অৱা অনা খুদোংচাদবা কয়ামরুম নংলিবসিগী শরুক অহুম থোকপগী অমদি মখোয়গী হকচাং পাঙ্গল অমসুং পুক্নিংগী শক্তি শোন্থরকপা অসিননি। স্বামীজীগী খ্বাইদগী অহানবা পাউজেলদি, 'অশোনবদগী অকিবা ফংলবা পুক্নিং অমসুং থৱায়বু হাৎলিবা অশোনবা ( ৱিকনেস) অসি হকচাংদগী তাম্থোকখিগদবনি হায়বদি মাঙহনখিগদবনি। মহাক্না হায়খি, 'লাইনিং লিচৎতি (ধর্ম্মদি) কোন্না লাক্কদবনি, পাঙ্গল কনবা হান্না ওইয়ু, ঐগী নুংশিরবা নহারোল, মহৈরোই মরুপশা, নখোয়গী ফরবা কল্লবা পাম্প্রোমগী পাঙ্গল অদুনা কল্লবদি, নখোয়গী থোপসু (ব্রেন) সুমপাঙ্গল কনগনি। মদুতনা গীতাবু হেন্না লাইনা খঙগনি। নখোয়না নখোয়গী নখোংদা নরোমদোম লেপচবা ঙম্লবদি, নখোয়না বেদা অমসুং উপানিষদশিং হেন্না নিংথিনা খঙগনি, লোয়ননা আত্মাগী (থৱায় মিরেলগী) মতিক খঙগনি। অদুগা নখোয় নশামক মী ওইরে হায়বা ৱাখল ফাওরক্কনি।' অসুন্না মহৈ তম্বীবদা হকচাং শাজেলগী মতম্বী **(Physical Education with pratical)** গী তঙাইফদবদু পনবীরম্লে। অফবা হকচাংদা অফবা ৱাখল লৈ **(A sound mind is in a sound body)**.

২) বিজ্ঞান অমসুং ধর্ম্মঃ-


স্বামীজীনা, ভারত্তা খ্বাইদগী হেন্না মথৌ তারিবদি অনৌবা বিজ্ঞানগী ৱাখল (মোদর্ন সাইন্স) লৌশিনবা, খুৎ-শা হৈবগী খুৎলোয়বা **(Technical know how)** অমসুং থবক ওইনা তৌবগী হৈশিংবা **(Practical skillfulness)** চাওখৎহনবা লোয়ননা পুন্নমক অসিগী মতেংনা মীয়াম পুন্নমকপু মশা মউ ফবা অমসুং খুমাঙ চাওশিনবা ওইনা শেমগৎপনি। মহাক্কী মতুং ইন্না মহৈ তম্বীবা (এদুকেসন) পীবা হায়বসিদা বেদান্টা অমসুং মোদর্ন সাইন্স অনীসি পুন্না খৱাংননা চৎমিন্নগদবনি।**(Education, according to hi,m, should be blend of vedanta and Modern Science)**, অধ্যাত্মিক্তা ( **Spirituality**) হায়বসি ভারতকী পুন্সিগী ঈচেলদা (থিম) অমা ওইনা অসুমক লৈগদবনি। হকচাংগী ( বোদি) মপালগী ওইবা মচাকশিং ফগৎনবা তৌবগা, থৱায় মিরেলগী (স্প্রিরিট) নুংগী য়াইফনবা তৌবগা অনীসি, অমগা অমগা য়েখায়নবা থেঙ্গায়নবা লৈতে। অনীসি পুনশিল্লগা হেন্না মপুং ফাবা পুন্সি (**Spiritual life**) অমা ওইগদৌরিবনি। মহাক্না হায়খি- থৱায় মিরেল (**Soul or self**) খুদিংমক অসি লাইগী (ঈশ্বরগী। মপুগী) মগুণ তুংদুনা লৈবনি। মঙোন্দা শক্তি পুন্নমক পুনশিন্দুনা মপুং ফাবা হায়বদু ওইদুনা লৈ। ( **Each soul/self is potentially divine having written it all power and perfection**) মীওই কয়ানা ঈশ্বরবু থিননবগীদমক খুন্নাইগী থাদোক্তুনা উমং-ৱামং অমসুং চীনুংহুৎকী অচিকপা মফম থিনরম্মী। স্বামীজীনা হংখি, 'নঙনা কদায়দা চৎলগা ঈশ্বর মপু মপু মাবু থিরিবগে? নঙগী অকোয়বদা লৈরিবা অহিংবা পুন্নমক্তা লৈরিবা মদুদা য়াওরিবা অহিংবা অদুমক ঈশ্বর নত্ত্রা? অশেংবা ঈশ্বর অদুনা ঙসিদি লায়রবা, নৈহৎপীরবা, অৱা অনা নংলবা মীওই ওইনা পোক্লরবনি। মখোয়বু পুকচেল শেংনা, নোল্লক্না সেবা তৌ, মখোয়গীদমক থবক তৌবীয়ু, মদুতনা ঈশ্বর মপু মাগী ঈরাৎপা, পুজা তৌবা, নত্রগা সেবা ওইগনি।' মহৈ তম্বীবগী মরমদা স্বামীজীনা হায়খিবসিদি- পুন্নমক্তগী তোপ তোপ্পনি। মরমদি, মসি মীওইবগী থৱায় মিরেল (**Soul of self**) অসি ঈশ্বর অদুমক্নি হায়বসিদা য়ুম্ফম ওই। 'মহৈ তম্বীবা, (এদুকেসন) পীবা হায়বসিনা মীওইবদা হান্ননা অদুমক য়াওদুনা লৈরবা মপুনি নত্রগা ঈশ্বরগী মতিক ময়াইশিং অদুবু য়াকাইহনগদবনি। ( **To draw out**) তৌবদুনি।

৩) মহৈ তম্বীবগী পান্দমঃ

পুন্সিবু অফবা পরিং পথাপ্তা পুরক্নবা শেম্বা শাবা হায়বসি, মহৈ তম্বীবগী পান্দমনি। লোয়ননা অথোইবা গুণ ওইরিবা লৌশিং অমসুং জ্ঞান লেপ্পা লৈতনা তানশিনবা হায়বসি মরু ওই। স্বামীজীনা হায়খি, 'ঐখোয়না শিক্ষা(এদুকেসন) কৌগদৌরিবসি, মদুনা লমচৎ শেমগৎলবা, পুক্নিংগী পাঙ্গল হেঙ্গৎহল্লবা, লৌশিংবু পাকথোক চাউথোকহল্লবা অমসুং মদুনা কনাগুম্বা অমবু মখোঙদা মরোমদোম লেপচবা ঙমহল্লবা মদু শিক্ষানি। **(We want that education by which character is formed, strength of mind is incresed, the intellect expanded and by which one can stand on one's own feet.)** 'শিক্ষা পুন্নমক্কী, তৌরিবা ট্রেনিং খুদিংমক্কী পন্থুংদি মী শেম্বনি। করম্বা মখলগী ট্রেনিংনো হায়বদা, ত্রেনিং অদুনা অনিংবগী ঈচেল অমসুং অনিংবগী মফোঙদোক অদুবু নিংথিনা ঙাক শেল্লবা অদুগা মদুনা মহৈ য়াল্লবা, মদু শিক্ষা (এদুকেসন) মহৈ তম্বীবা কৌরে।' **( The training, by which the current and expression of will are brought under control and become fruitful, is called education.)** স্বামীজীনা তাকপীখি, 'শিক্ষানা অনিংবগী শক্তি (ৱিল পৱার) কনখৎহনগদবনি হায়বসিনি। অকনবা শক্তি লৈবা মীওইশিংতনা, মালেম পৃথিবী অসি শেমখিবনি। মীওইবনা শা-ঙা, উচেক ৱায়া অমসুং প্রকৃতিবু জয় তৌবা লাইনা ঙম্লিবা অসিগী মরমদি মাগী মাগী অকনবা অনিংবা **( Tremendous will power)** অদুননি। মরম অদুনা শিক্ষানা হকচাংগী পাঙ্গল **(Physical strength)** হেঙ্গৎহনবতা নত্তনা মাগী ৱাখলগী পাঙ্গল **(Power of reasoning)** অমসুং অনিংবগী পাঙ্গল (ৱিল পৱার) অদুসু চপ চানা হেঙ্গৎহনগদবনি।


তেকচম রামেশ্বর

## WAYEL CROSSWORD



**ACROSS**
7 Direction indicator (5)
9 Bewildered (9)
11 Knocks down (10)
12 Picturesque (6)
13 Time of prosperity (4)
15 Resentment (7)
16 Gardening tool (3)
17 Sports hall (9)
19 Gather crops (7)
20 ___ and chips, seaside treat (4)
21 Squanderer (11)
25 Northern Irish county (6)
27 Roles (5)
29 Exist (3)
30 Popular sandwich (3)
31 Decipher (5)
32 Sealskin boot (6)
34 Wildlife path (6,5)
36 Plastic brick brand (4)
39 Element, symbol U (7)
41 Naked (9)
44 Gesture of approval (3)
45 Computer accessory (7)
47 Speech impediment (4)
48 Get even (6)
50 London palace (10)
52 Three-event contest (9)
53 Florida city (5)

**DOWN**
1 Division (8)
2 Italian river (4)
3 ___ hound, tall long-haired dog (6)
4 Worrier (7)
5 Wheel spindle (4)
6 Nervousness (8)
8 Restaurant worker (8)
10 Wrongdoer (9)
14 Less (5)
16 Hiker's bag (9)
18 Not well-liked (9)
20 Travel by air (3)
22 Scandinavian nationality (9)
23 Service charge (3)
24 Telescope part (4)
26 Had more weapons than (9)
28 Oil reservoir (4)
30 Lingerie item (3)
33 Alien craft (3)
35 Apparatus (9)
37 Praise lavishly (5)
38 Selflessness (8)
40 Modernise (8)
42 Rapturous (8)
43 Black-and-white horse (7)
46 Electronic music genre (6)
49 French for 'black' (4)
51 Provoke (4)



Owned, Published & Edited by **Ningombam Hemantakumar** & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. **9856088733**